**ন: ২।২৯।২০০৫-লিগ/এল**
**গভর্নমেন্ট ওফ মনিপুর**
**সেক্রেটরিয়েতঃ লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফিয়র্স ডিপাটমেন্ট**

## নোতিফিকেসন

**ইম্ফাল, তাং ১১ জুলাই, ২০০৬**

**ভারতকী প্রসিডেন্টনা তাং ২৬-৬-২০০৬ তা কম্মীসন লিংবগী অয়াবা পীরবা মতুংদা মনিপুরগী গেজেৎতা ফোংদুনা**

**ডি মনিপুর ষ্টেট কম্মীসন ফোর ৱুমেন এক্ট ২০০৬**
(মনিপুর এক্ট ন:১৬ ওফ ২০০৬)

এক্ট ওন্দুনা হায়রিবা ষ্টেট কম্মীসন ফোর ৱুমেন গী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লবগীদমক মনিপুরগী লেজিসলেচরনা নীংতম্লবা ভারতকী ৫৭ শুবা চৎনব-কাংলোন অমা ওইনা চৎনরক্লবগীদমক অয়াবা পীরেঃ-

## চেপ্তর -১
## ‘‘প্রিলিমিনরি’’

**১। তেনতকপা মীং, কদাইদগীনা কদাইফাওবা অমদি করম্বা কান্দগী হৌরকপাঃ-**

১) এক্ট অসি মনিপুর ষ্টেট কম্মীসন ফোর ৱুমেন ২০০৬

২) মনিপুর ষ্টেটকী মফম খুদিংমক্তা এক্ট অসি চৎনগনি।

৩) এক্ট অসি মনিপুর ষ্টেট গভর্নমেন্টনা নোতিস থোক্তুনা গেজেৎতা ফোংদুনা এপোইন্ট তৌরবা মতুংদা চৎনবা হৌগনি।

**২। ৱাহন্থোক ঃ-**

**এক্ট অসিগী তঙাইফদবা মথৌ তাবশিং -**

১) ‘‘কম্মীসন’’ হায়রগা মনিপুর ষ্টেট কম্মীসন ফোর ৱুমেন সেক্সন-৩ দা য়াওববু খঙনগনি।

২) ‘‘মেম্বর’’ হায়রগা কম্মীসনগী মেম্বর-সেক্রেটরি য়াওনা কম্মীসনগী মেম্বরবু খঙনগনি।

৩) ‘‘প্রিসক্রাইব’’ হায়রগা এক্ট অসিগী মখাদা চৎনগদবা চৎন- কাংলোনবু খঙনগনি।

৪) ‘‘ষ্টেট গভর্নমেন্ট’’ হায়রগা গভর্নমেন্ট ওফ মনিপুরবু খঙনগনি।

# চেপ্তর -২

## ‘‘কন্সটিটিউসন ওফ কম্মীসন’’

**৩। কন্সটিটিউসন ওফ ষ্টেট কম্মীসন ফোর ৱুমেনঃ-**

১) ষ্টেট গভর্নমেন্টনা **‘‘মনিপুর ষ্টেট কম্মীসন ফোর ৱুমেন’’** কৌবা অমা শেমদুনা মখোয়দা পৱার পীদুনা মথৌ পাঙথোক্লবা শিন্নে।

২) কম্মীসন অসিদা য়াওরিবশিংদি ঃ-

(ক) ষ্টেট গভর্নমেন্টনা নুপীগা মরি লৈনবা থৌদোকশিংদা য়েংশিন্ননবা চেয়রপার্সন অমা হাপ্পা।

(খ) ষ্টেট গভর্নমেন্টনা হাপ্পা মেম্বর অহুম হায়বদি সোসল ৱার্ক নৎত্রগা এডমিনিষ্ট্রেসন, নৎত্রগা নুপীগা মরিলৈনবা থৌদোকশিংদা হকথেংননা য়েংশিনবা ঙম্বা মীওই, অদুবু য়ামদ্রবদা মীওই অমদি সেড্যুল-ত্রাইব নৎত্রগা সেড্যুল-কাষ্ট তগী ওইগদবনি।

(গ) মেম্বর-সেক্রেটরি ওইনবা মনিপুর গভর্নমেন্টনা হাপকদৌবা মীওইদু মতিক চারবা গভর্নমেন্ট কী ওফিসার নৎত্রগা এডমিনিষ্ট্রেসন দা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মীওই ওইগদবনি।

**৪। চেয়রপার্সন অমদি মেম্বরশিংগী চৎনগদবা ওফিসকী থবক থৌওং ঃ-**

১) চেয়রপার্সন অমদি মেম্বর খুদিংনা ওফিসকী থবক পুবগী মতম চহি অহুমদগী হেল্লোই অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পীরকপা পাউতাক্কী মতুং ইনগনি।

২) চেয়রপার্সন নৎত্রগা মেম্বর (মেম্বর-সেক্রেটরি নত্তনা) অমনা চেয়রপার্সন / মেম্বর ওইবদগী তোকচরগে / পোথাজরগে হায়বা তারগদি ষ্টেট গভর্নমেন্টতা অইবা-চে ওইনা লানখৎকনি।

৩) সব-সেক্সন (২) গী মতুং ইন্না ষ্টেট গভর্নমেন্টনা চেয়রপার্সন নৎত্রগা মেম্বর অমবু

(ক) মথৌদা মপুক্লিং চংলকত্রবা ।

(খ) লমচৎ-নাইদ্রবা নৎত্রগা মরাল লৈরদুনা জেলদা চংবগী ফিভম লাক্লবা ।

(গ) কোর্ত অমনা মীওই অমবু অনসাউন মাইন্দ নি হায়না লাউথোক্লবা ।

(ঘ) মথৌ তৌদ্রবা অমদি তৌবা ঙমলকত্রবা ।

(ঙ) কম্মীসন না ছুতি পিখিদবা অমদি থংন-থংননা কম্মীসনগী মীফম য়াওদ্রবা ।

(চ) ষ্টেট গভর্নমেন্ট কী মীৎয়েংদা চেয়রপার্সন নৎত্রগা মেম্বর অমনা মাগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌদে হায়না খল্লবা অমদি প্রজাগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌদ্রবদি মথক্তা পনখ্রিবা ৱারোলশিং অসিগী চপ-চাবা মরম পীবা ঙমদবা তারবদি মীওই অমত্তা মাগী মফম অদু থাংদোক থাংজিনগী ৱাফম লৈতে।

**৪। সব-সেক্সন (২) অমদি (৩) গী মতুং ইন্না অহাংবা ফমশিংগীদমক ষ্টেট গভর্নমেন্ট না অহাংবা ফমশিং অদু নৌনা মেনশিনগনি।**

**৫। কম্মীসনগী ওফিসারশিং অমদি ইমপ্লোয়িশিং ঃ-**

১) ষ্টেট গভর্নমেন্টনা কম্মীসনগী থবক থৌরমশিং মপুং ফাহন্নবগীদমক ওফিসারশিং অমদি ইমপ্লোয়িশিং হাপ্পগী অয়াবা পী।

২) কম্মীসনদা থবক তৌরিবা ওফিসারশিং অমদি ইমপ্লোয়িশিংগী পীফম থোকপা থাগী তলব অমদি এলাৱেন্সশিং কম্মীসননা হান্না লেপ্লদুনা ফোংদোকখ্রবা চেরোলগী মখা পোনগনি।

**৬। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পীবা তলব অমদি এলাৱেন্সশিং ঃ-**

চেয়রপার্সন অমদি মেম্বরশিং লোয়ননা ওফিস চলাইবদা চৎনখিবা শেলফমশিং, তলব অমদি এলাৱেন্স য়াওনা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পীরকপা গ্রান্ত কী শেলফমশিং অদুদগী চৎনগনি।

**৭। অহাংবা ফমনচিংবদা কম্মীসনগী নিয়মঃ-**

কম্মীসনগী ফম হাংলক্লবা / তোকহনখিবশিং গী অহাংবা ফমশিং ।

কম্মীসনগী মনুংগী মীওইশিংনা মেনশিনবা / হাপচিনবা তৌরোইদবনি।

**৮। কম্মীসনগী চৎনগদবা নিয়মশিং ঃ-**

১) চেয়রপার্সিনগী অপাম্বগী মতুংইন্না কম্মীসনগী মীফমগী মফম-মতম লেপকনি।

২) কম্মীসনগী চৎন-কাংলোন মশাগী ওইবা অদুমক লৈজে।

৩) কম্মীসনগী ৱারেপ লৌরকপা নৎত্রগা ৱারোল অমা ফোঙদোকপদা চেয়রপার্সন মশানা নৎত্রগা চেয়রপার্সনগী মীংদা মেম্বর-সেক্রেটরি/ মেম্বরনা চেয়োরপার্সনগী অয়াবগা লোয়ননা ফোঙদোক্কনি।

**৯। কম্মীসনগী কম্মিটিশিং ঃ-**

১) কম্মীসননা মতম-মতমগী মতুংইন্না দরকার লৈরকপা ইসুশিংদা থবক থৌরম পাঙথোকপদা হেন্না মপুং ফাহন্নবগীদমক কম্মিতি শেম্মী।

২) সব-সেক্সন (১) গী মতুংইন্না কম্মীসনগী মেম্বর নৎত্রগসু হিরমদুদা য়াওবদা য়াবগী অয়াবা পী তৌবতবু মহাক্না ভোৎ থাদবগী অয়াবদি পীদে।

৩) কম্মীসনগী অয়াবা মতুংইন্না কম্মীসনগী মীফমদা য়াওরবা মীওই অদুগী এলাৱেন্সশিংসু ফংগনি।

# চেপ্তর-৩

## ‘‘কম্মীসনগী থবক-থৌওং’’

**১০। কম্মীসনগী থবক থৌওং ঃ-**

১) এক্ত অসিনা অয়াবা পীবগী মতুংইন্না কম্মীসন্না মখাগী থবকশিং অসি পাংথোকই ঃ-

ক) থিজিনলুবা অমদি মদুদগী খঙলকপা ৰাফম খুদিংমক নুপীবু ঙাকপী শেনবিবা হায়বা ভারত সংবিধানগী নিয়ম অদুগা মরি-লৈনবা ওইগদবনি। কম্মীসন্না থিজিন-হুমজিল্লুবদগী ফঙলকপা ৰারোল অদু ষ্টেট গভর্নমেন্টতা লানখৎকনি অমদি নুপীশিংবু হেন্না ফবা পুন্সি মহিং অমা ফংহন্নবা হোৎনবা।

(খ) নুপীশিংবু মহে-মশিং তম্নবা / তম্বদা হেন্না পুক্লিং থৌগৎপিবা অমদি মশা-মউ ফনা থম্নবা, খুৎ-শা হৈবগী লমদা পুক্লিং থৌগৎপিবা, মতিক চাবা লৈননবা যুম ফংহনবা, মশাগী শেম্বোক লৈননবা হোৎনবদা মতেং পাংবিবা অসিনচিংবা হিরম কয়ামরুশিংদা মতেং পাংবিদুনা অমদি খন্ন-নৈনদুনা নুপীবু অহেনবা লৌশিং পীবা।

(গ) সংবিধান্না পীবা নুপীবু অহেনবা শক্তি পীদুনা ঙাকপি-শেনবিবগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা কেসশিং মতিক চাবা ওথোরিতিদা শিন্নদুনা ষ্টেট অসিদা অসিগুম্বা ইরাং লৈহন্দনবা হোৎনবা।

(ঘ) ৰাকৎলক্লিবীনা পীরকপা সু-মোতো নোতিস কা মরি লৈনবশিং ঃ-

১) নুপীগী রাইটতা শীংনরকপশিং।

২) নুপীবু ঙাকপি-শেনবীবগা মরি লৈননা লৈরিবা আইনশিং মপুং ফানা শেমদোক-শাদোকতবা অমদি নুপীবু চাউখৎপা থাক্তা পুখৎপিদুনা অমদি মান্নবা মীৎয়েং য়েংবা হায়বদু থবক্তা ওম্বোরক্রুবা কাংবু।

৩) কম্মীসন্না লেপ্পখিবা ৰারেপ থৌশাদবা / ইন্দবা নুপীশিংবু হেন্না অৰাবা পীরিবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ-চাবা এক্সন লৌখৎপা।

(ঙ) নুপীবু ওৎপি-নৈবিরিবগী মরম থিদোকতুনা মখা তানা মদু থোকহন্দনবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎননবা হোৎনবা।

(চ) ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নুপীশিংগী চাওখৎ-থৌরাং কদাই ফাওবা খুমাং চাওশিল্লবগে হায়বদুগী দাতা খোমগৎপা।

(ছ) মতম-মতমগী নুপীগা মরি লৈননা থোকপা থৌদোকশিংগী মরিক চুম্বা রিপোর্ট ষ্টেট গভর্নমেন্টতা মতম চানা য়ৌহনবা।

১) মতম-মতমগী নুপীগা মরি লৈননা পায়খৎপা য়াবা নুপীশিংগী চাওখৎ-থৌরাংগী পোরম য়াৎপগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা খঙহনবা।

২) করিগুম্বা ইরাং অমগা মরি লৈননা নুপীশিংনা খঙহৌদনা ইরাং থোক্লবদি মদু কমদৌনা থোক্লকপনো হায়বগী মরমদা থিজিনবা ।

৩) নুপীশিংগী সমাজগী অমদি শোল-থুমগী ফিভম ফগৎনবা হোৎনবদা হকথেংননা মতেং পাংশিন্দুনা নুপীশিংবু চাওখৎ-মাইকৈদা পুশিননবা হোৎনবা ।

**১১) কম্মিসননা করিগুম্বা হিরম অমা থিগৎনবা হোৎনবদা সব-সেক্সন (১) গী সব-ক্লোজ (a) অমসুং (d) গী মতুংইন্না সিভিল কোর্ট, কোর্ট ওফ সিভিল প্রোসিড্যুর ১৯০৮ গী মখাদা পিরিবা হিরমশিং অসিদা মথৌ পাঙথোক্লবগী অয়াবা পিরি, মখোয়দুদি ঃ -**

ক) ভারতকী করিগুম্বা জগা অমদা হেক্তা লৈরগসু মহাকপু কৌদুনা কম্মীসনগী কোর্টতা কাহনবা অমসুং মদুদা লাক্তবা তারগদি লো ইনফোর্সিং (law enforcing) তৌবা য়াবগী হক পিরি ।

খ) মরি লৈনবা চে-চাং/ডোকুমেন্ট পুথোকহনবা ।

গ) খুদম-চাংদম /প্রমান ওইবা য়াবা এফিডেবিট পুথোকপা ।

ঘ) অতৈ-অতৈ ।

**১২) কম্মিসনগী রিপোর্ট ঃ-**

ক) কম্মীসননা ষ্টেট গভনমেন্টতা মতম-মতমগী শেল-থুমগা মরি লৈনবা হিসাবশিং চৎখিবা অমদি চৎনগদবশিং মচা-খায়না উৎপগা লোয়ননা কম্মীসননা তৌখিবা থবক-থৌরম খুদিংমক্কী ৱারোল মচা খায়না উত্তুনা মতম চানা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা খঙহনবা ।

খ) ষ্টেটকী ৱুমেন কম্মিসন্না নেসনেল ৱুমেন কম্মীসনগা মরি লৈননা পাঙথোকমিন্নবা থবক মতম চানা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা খঙহনবা ।

## <u>চেপ্তর - ৪</u>

## ''ফাইনান্স, একাউন্ট অমদি ওডিট''

**১৩। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পিবা গ্রান্ত ঃ-**

ক) ষ্টেট গভনমেন্টনা লেজিসলেচরগা কোক চুংশিন্নরগা কম্মীসনগী মরম চাবা থবক থৌরমশিং হেন্না মপুং ফানা পাঙথোকপা য়ান্ননবগীদমক শেল-থুমগী মথৌ তাবশিং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা কম্মীসনদা  গ্রান্ত ওইনা পী ।

খ) চহিগী ওইনা কম্মীসনগী একাউন্ট ষ্টেটমেন্ট ওডিট তৌবা ।

গ) একাউনটেন্ট জেনরেলনা ওডিট তৌবা মতমদা দরকারগী মতুংইন্না মরি লৈনবা চে-চাংশিং, বাউচর অমদি ডোকুমেন্টশিং য়েংশিনবগী হক লৈ ।

ঘ) একাউনটেন্ট জেনরেলনা ওডিট তৌরবা মতুংদা পিরকপা কম্মীসনগী সার্টিফিকেট অমদি

ওডিট রিপোর্ট কম্মীসন্না মতম চানা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা লানখৎকনি।

## চেপ্তর - ৫
## "অতৈ-অতৈ"

**১৪। মীয়ামগী পাউখোলোই ওইনা চেয়ারপার্সন অমদি মেম্বরশিংঃ-**

চেয়রপার্সন, মেম্বরশিং, ওফিসারশিং অমদি কম্মীসনদা থবক তৌরিবা কর্মচারিশিং অসি ইন্দিয়ান পেনল কোর্ট সেক্সন-২১ গী মতুংইন্না মীয়ামগী পাউখোলোই (পব্লিক সার্ভেন) ওইনা ত্রিত তৌগনি।

**১৫। ষ্টেট গভর্নমেন্ট কী শক্তিনা নিয়ম শেম্বাঃ-**

১) ষ্টেট গভর্নমেন্টনা নোতিফিকেসন থোল্লবা মতুংদা কম্মীসনদা শিন্নরিবা থবকশিং অদু কম্মীসননা চুন্না পাংথোকলিব্রা হায়বদু য়েংশিননবগী হক ষ্টেট গভর্নমেন্ট তা লৈ।

২) কম্মীসনদা থবক তৌরিবা কর্মচারিশিংনা তৌরিবা থবক থৌওংশিং হেন্না নিয়ম চুন্না তৌরিব্রা হায়দুনা য়েংশিনবগী হক ষ্টেট গভর্নমেন্ট তা লৈ, মরু ওইনা

(ক) চেয়ারপার্সন অমদি মেম্বরশিং, লোয়ননা কম্মীসন্দা থবক তৌরিবা কর্মচারিশিংনা ফংলিবা তলব / এলারেন্সশিং পিথোকখিবশিং সেক্সন -৪ গী সব-সেক্সন (৫) কী সব-সেক্সন (২) গী মতুং ইন্না ওফিসারঅমদি কর্মচারিশিংনা মরম চুন্না শিজিন্নরিব্রা হায়না য়েংশিনবা

(খ) সেক্সন ১৩ গী সব-সেক্সন (১) গী মতুং ইন্না কম্মীসনগী চহিগী একাউন্ট ষ্টেটমেন্টশিংদু নিয়ম চুন্না শেল্লিব্রা হায়বদু য়েংশিনবা

(গ) সেক্সন - ১১ গী মতুং ইন্না কম্মীসন গী চহিগী রিপোর্ট শেল্লিবদু মতৌ করম্না অমদি করম্বা মতমদা শেমখিবনো হায়বদু য়েংশিনবা

৩) কম্মীসনগী চৎনরিবা এক্টশিং অমদি নিয়ম (rule) খুদিংমক ষ্টেট লেজিসলেচরশিংনা মীফম মনুংদা নুমিৎ ১৪ নিগী মনুংদা শেমদোক্কদবা, হোংদোক্কদবা কয়া মীফমদুনা লোইদ্রিঙৈগী মনুংদা খন্ন-নৈনবদা পুথোক্তুনা পাস তৌহৌনবা হোৎনবা লোয়ননা এক্ট অদু চৎনবা য়াবা মওংদা শেমদোক-শাদোকপা লোইহৌননবা হোৎনবা।

* * *